# ৱোজনিয়াক্কিনা পান পেসিফিক ওপন, টসুরেঙ্কোনা গৌঝাংহৌগী টাইটল লৌখ্রে

## ষ্টান ৱারিঙ্কা, অলেকজেন্দর জভেরেভনা সেন্ট পিটর্সর্বার্গকী ফাইনেল চঙখ্রে





টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৫ :
কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মফম অসিদা চথরিবা পান পেসিফিক ওপনগী ফাইনেলদা নাওমি ওশাকাবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্না মতম শাংনা দব্লিয়ু টি এ টুর টাইটলগীদমক ঙাইরকখিবা অদু ফংবা ঙমখ্রে।

মমাঙ চহীগী মার্চ থাদগী টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখিবা দেন অসিনা মহাক্কী খোঙগী অশোকপা অদুবু নক্মৎলগা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ওপন অসিগী দিসাইদরদা মায়োক্লখিবা জপানিজবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। মায় পাকখিবা অসিনা দেননা মহাক্কী অহানবা দব্লিয়ু টি এগী টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখ্রে।

কুমজা ২০১০ গী ইভেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন অমদি কুমজা ২০১৪ গী রন্নর-অপ ৱোজনিয়াক্কিনা অহানবা সেট শান্নরিঙৈ মনুংদা ট্রিটমেন্ট তৌখি। মেচ অদু লোইদ্রিঙৈদা ওসাকাসু মহাক্কী লেঙবানগী অনাবা লৈবদগী মেদিকেলগী এট্রেন্সন লৌখি।

ওসাকানা দব্লিয়ু টি এগী ফাইনেল চঙবসু ওপন অসিনা অনীশুবা ওইরি। অদুগা ৱোজনিয়াক্কিনা টাইটল লৌখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২৪শুবা টাইটলসু ওইখি। অদুগা ওসাকানা ফাইনেলদা ০-২ দা মায়থীদুনা চৎলি। মহাক্না মমাঙ চহীদসু হুআ হিনগী মখুৎতা দিসাইদরদা মায়থীহৌখিবনি।

পনবা য়াই, হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মফম অসিদা চথরিবা পান পেসিফিক ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমী ফাইনেল মেচতা মরিশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কাবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

চহী তরুক্কী মমাঙদা টোকিয়োদা ৱিন্নর ওইখিবা দেননা ওপন অসিগী টাইটল লৌবা ঙমদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২৪শুবা টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখ্রে।

জপানগী নাওমি ওসাকানা ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনাবু ১-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ৱোজনিয়াক্কিনা মমাঙ থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি।

অমরোমদা গৌঝাংহৌদা চথখিবা গৌঝাংহৌ দব্লিয়ু টি এগী ফাইনেল মেচতা য়ুক্রেনগী লেসিয়া টসুরেঙ্কোনা ৱর্ল্ডগী অনেম্বা রেঙ্ক ৮০ শুবদা লৈরিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জেলেনা জানকোভিকপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা টসুরেঙ্কোনা মায় পাকখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অনীশুবা টাইটলসু ওইখি। মহাক্না অহানবা টাইটল ওইনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্টানবুলগী ট্রোফি লৌখি।

মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা গ্রান্দ স্লামগী মরিশুবা অমদি অরোইবা টুর্ণামেন্ট অমা ওইখিবা য়ু এস ওপনদা মহাক্কী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ ফাওবা চঙবা ঙমখিবী টসুরেঙ্কোনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা নিংথিনা শান্নখি হায়না খল্লি। অদুবু অনীশুবা সেটতদি ঐগী পার্ফোমেন্স হন্থখি। মদু ঐঙোন্দা চোকথবা ফাওখিবদগী ওইখিবনি। ঐনা অরোইবা সেটতা পোইন্ট খুদিংমক লৌননবগীদমক অকনবা লম্বা তৌখি। ঐনা ঐগী পার্ফোমেন্স চামদা চাম্না পীদুনা টাইটল লৌবা ঙম্বনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা সেন্ট পিটরস-বার্গতা চথরিবা সেন্ট পিটরসবার্গ ওপনগী সেমী ফাইনেল মেচশিংদা য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কানা মরিশুবা সীদেদ বৌটিষ্টা ওগটপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি অদুগা মশাগী চহী ১৯ শুরবা অলেকজেন্দর জভেরেভনা টোমাস বর্দিচবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা স্বিসকী টোপ সীদ ৱারিঙ্কানা অর্জেন্টিনাগী বৌটিষ্টা ওগটকা অহানবা ওইনা মায়োক্লখিবা মেচ অদুদা ৭-৬ (১০/৮), ৬-২ দা পুং ১ গা মিনিট ৫০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি অসিনা অনফোর্সইরর ৩১ তৌখি অমদি অহানবা সেট অদু টাই ব্রেকতা মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতা ৱারিঙ্কানা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মায়থীবা পীখি।

ৱারিঙ্কানা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, ঐনা মতম পুন্নমক্তা শান্নখিবা মেচশিং মায় পাক্লনবা হোৎনৈ। ঐনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অসি ঐগীদি খ্বাইদগী ফবা অমদি পোজিটিব ওইবা খুদমনি। ঐনা টফ ওইবা মেচ শান্নখ্রে অমদি টাইটলগীদমক অকনবা চেল্লেঞ্জ অমসু মায়োক্লবা মথৌ তারি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ অমদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা অমদি মহাক্কী অহানবা এ টি পি টাইটল লৌননবগী আশা তৌরিবা মঙাশুবা সীদেদ জভেরেভনা অহুমশুবা সীদ টোমাস বার্দিচবু ৬-৪, ৬-৪ দা পুং ১ গা মিনিট ২০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অমদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল ক্লাশকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

# লি চোং ৱৈনা জোর্গেন্সেনবু মায়থীবা পীদুনা ৬রকশুবা ওইনা জপান ওপন টাইটল লৌখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৫ :
মালেসিয়াগী বেদমিন্টনগী নিংথৌ লি চোং ৱৈনা মফম অসিদা চথখিবা য়োনেক্স ওপন জপানগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা দেনমার্ককী অহুমশুবা সীদ জান ও জোর্গেন্সেনবু মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী তরুক্লকশুবা ওইনা টাইটল লৌখ্রে।

হৌখিবা ওলেম্পিক্স অহুম্লক্তা সিলভর মেদল লৌখিবা লিনা দেনবু ২১-১৮, ১৫-২১, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা টোকিয়ো মেট্রোপোলিটান জিম্নাজিয়মদা চথখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অদুদা গেম অমফাওবা মায়থীবা য়াওদনা চঙলকখিবনি। অদুবু মহাক্না ফাইনেল মেচতদি অকনবা চেল্লেঞ্জ মায়োক্লখি অমদি জোর্গেন্সেনগী মখুৎতা অনীশুবা গেম অদু মায়থীখি।

লিনা কুমজা ২০১৪, ২০১৩, ২০১২, ২০১০ অমদি কুমজা ২০০৭ কী জপান ওপনগী টাইটল লৌখ্রে। মহাক্না রিও গেমসদা মহাক্কী কেরিয়রগী শান্নবা অরোইবা ওইরবা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু মহাক্কী শান্নবগী কেরিয়র অমসি টোকিয়ো ২০২০ ওলেম্পিক্স ফাওবা শাংদোক্লগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ তৌখিবনি। মহাক্না টোকিয়ো ওলেম্পিক্সতা শুংশোই শোয়দনা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু থমখি।

নুপীগী দবলসতা রিওগী সিলভর মেদলিষ্ট দেনিশকী জুরা ক্রিষ্টিনা পেদর্সেন অমদি কাসিল্লা রাইট্টর জহলনা লমনখুম্বা ওইনা রিওগী গোল্ড মেদলিষ্ট ওপানিজগী রাইভেল মিসাকি মাটসুমোটো অমদি অয়াকা টাকাহাশিবু ১৯-২১, ২১-১৮, ২১-১২ দা মায়থীবা পীখি। নুপীগী সিঙ্গলসতা হি বিংজিয়াওনা কম্পেট্রিওট সুন য়ুবু ২১-১৫, ৭-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

সুননা টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা জপানগী রেঙ্ক ১২ দা লৈবা অকানে য়ামাওচিবু মায়থীবা পীদুনা জপানবু চাউনা নিংহন্নবা পোকহনখিবনি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজগী জুরা লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেনা কোরিয়াগী কিম গি জুং অমদি কো সুং হয়ুনবু ২১-১২, ২১-১২ দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা জপান ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ১৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মার্ক জ্বেল্লরবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

হৌখিবা ওলেম্পিক অহুমদা সিলভর মেদল লৌখিবা লিনা জ্বেল্লরবু টোকিয়োগী মেট্রোপোলিটান জিম্না-জিয়মদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অদুদা য়াম্না লায়না ২১-১৪, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল মেচকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেন্সেননা সাউথ কোরিয়াগী ৬শুবা সীদ সোন ৱান হোবু ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা য়ুম্নুগী ১২ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অকানি য়ামাগুচিবু সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা চিনাগী সুন য়ুনা কুমজা ২০১৩ গী য়োনেক্স ওপন জপানগী অহানবা টাইটল লৌখিবা জপানিজ য়ামাগুচিবু ২১-১৭, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

নুপীগী টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা হি বিংজিয়াওনা জপানগী অয়া ওহোরিবু ২১-১৭, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজগী জুরা লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেননা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা মোহম্মদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ২১-১৩, ১৮-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দোনেসিয়াগী জুরা মোহম্মদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱাননা কুমজা ২০১৩ গী দবলস টাইটল লৌখিবনি।

নুপীগী দবলসতা রিও ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবা জপানিজগী জুরা মিসাকি মাটসুমোটো অমদি অয়াকা টাকাহাশিনা কম্পেট্রিওট শিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোবু মিনিট ৪৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা মহাক্কী অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ডগী নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কে শ্রীকান্টনা শান্নখিবা জপান সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ শুবদা লৈরিবা জমর্নগী মার্ক জৱৈল্লরগী মখুৎতা ২১-১৮, ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্টনা জপান ওপনগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

# জপান্না কুমজা ২০২৬ কী এসিয়ন গেমস য়ুম্বু ওইগনি : ও সি এ



দানাঙ (ভিয়েটনাম), সেপ্টেম্বর ২৫ :
জপানগী আইচি প্রিফেকচর অমদি মসিগী কেপিলেট সিটি নাগোয়াবু কুমজা ২০২৬ কী এসিয়ন গেমসকী কো-হোষ্ট ওইনবগীদমক ঙসি কনফর্ম তৌখ্রে।

কনফার্ম তৌখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনেলগী স্পোর্টস কেলেন্দরদা মেজর ইভেন্ট অমা হেনগৎহনবা ঙমখ্রে। হৌজিক মঙাশুবা এসিয়ন বিচ গেম চথরিবা দানাঙদা ও সি এগী জেনরেল এসেমব্লি পাঙথোকখিবা অদুদা আইচি প্রিফেকচর গভর্ণর হিদীকি ওহুম্রা অমদি নাগোয়া সিটিগী মায়র টাকাশি কৱামুরানা পুন্না কো-হোষ্ট ওইনবগী পুখৎলকখিবা ৱারোল অদু ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীখি।

ও সি এনা চৎনবী ওইনা কুমজা ২০২৬ কী এসিয়ন গেমস য়ুম্বু ওইনবগীদমক কুমজা ২০১৮ দা খনগদবনি। অদুবু রিজন অসিদা লাক্কদৌরিবা চহী নিপান অসিদা ওলেম্পিক অহুম পাঙথোক্লনবগী মিৎয়েং মখাদা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা অদু পীখিবনি।

সাউথ কোরিয়ানা মাঙজৌননা কুমজা ২০১৮ দা ৱিন্টর ওলেম্পিক্স পাঙথোক্লবগী অয়াবা ফংখ্রবনি। হায়রিবা ওলেম্পিক্স অদু পয়োনচাংদা পাঙথোক্কনি। অদুগা টোকিয়োদা কুমজা ২০২০ দা সম্মর ওলেম্পিক্স পাঙথোক্কনি। অদুগা বৈজিংদা কুমজা ২০২২ দা ৱিন্টর ওলেম্পিক্স পাঙথোক্কনি।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমস অসিগী কুমজা ২০১৮ গী ওইনা ইন্দোনেসিয়াগী সিটি জকার্টা অমদি পালেমবাঙদা পাঙথোক্লবগীদমক হান্ননা অয়াবা পীখ্রে। অদুগা কুমজা ২০২২ গী এদিসন্না চাইনিজ সিটি হাঙঝৌদা পাঙথোক্লবা লেপ্পখ্রবনি।

টোকিয়োনা মথংগী কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদবা ওলেম্পিক গেমসকী য়ুম্বু ওইগনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯ দা জপাননা রগবি ৱর্ল্ড কপসু য়ুম্বু ওইগনি।

কুমজা ২০১৭ কী এসিয়ন ৱিন্টর গেমস অমদি কুমজা ২০২১ গী ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপসু জপান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। জপান্না মমাঙদা এসিয়ন গেমস অনীরক য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৯৫৮ দা টোকিয়ো অমদি কুমজা ১৯৯৪ দা হিরোসিমাদা এসিয়ন গেমসশিং পাঙথোকখি অমদি কুমজা ২০২৬ তা এসিয়ন গেমস পাঙথোক্লবগীদমক অয়াবসু ফংখিবনি।

এসিয়াগী লমদম অসিদা মালেমগী মেজর টুর্ণামেন্টশিং সেরিজ নাইনা পাঙথোক্লবগীদমক ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া অমদি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিল (আই ও সি) না অয়াবা পীখিবা অসি লমদম অসিদা শান্নববু হেন্না ইচং থৌনা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা পীরকখিবনি হায়রি।

হৌখিবা ওলেম্পিক গেমসশিংদা লমদম অসিগী শান্নবদা মমিং লৈরবা লৈবাকশিং চিনা, কোরিয়া, থাইলেন্দ, জপান, ইন্দোনেসিয়ানচিংবনা মখোয় মখোয়গী মফমশিং কন্দুনা লাকখিবনি। চাইনা অমদি জপান্না হেন্না মশক থোক্না স্পোর্টসতা পার্ফোমেন্স পীদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা মশক খঙবা অমসু ওইরিবনি।

# চিনা ওপনদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কার্বরনা অরায়বা দ্রোদা তাখ্রে

রুহান, সেপ্টেম্বর ২৫ : রুহান ওপন নৎত্রগা চিনা ওপন হায়রগসু খঙনরিবা টুর্ণামেন্ট অসিগী ইরাই নুমিৎতা ওৎখিবা দ্রোদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈরিবী জমর্নগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা অরায়বা দ্রোদা তাখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডগী অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা টফ ওইবা দ্রোদা তাদুদা চেল্লেঞ্জশিং মায়োক্লরগনি।

ওপন অসিগী দ্রোদা এঞ্জেলিগ কার্বরনা মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ, তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী স্পেনগী কার্লো স্বারেজ নোভারো অমদি নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী য়ু এসকী মেদিসন কিজনা পুন্না তামিন্নরি। অনীশুবা সীদ গার্বিন মুগুরুজানা অহুমশুবা সীদ পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কা, মঙাশুবা সীদ চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভা অমদি তরুকশুবা সীদ অমেরিকাগী ভেনস ৱিল্লিয়মসকা পুন্না তামিন্নরি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা কার্বরনা কার্লো স্বারেজ নোভারোগা, সাইমোনা হালেপনা মেদিসন কিজগা, ভেনস ৱিল্লিয়মসনা অগনিজকা রাদৱানস্কাগা অমদি কারোলিনা প্লিস্কোভানা গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়ানা লৈখ্রে। হন্দক্তা নৌনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবা কার্বরনা কুমজা ২০১৪ গী রুহান ওপনগী চেম্পিয়ন অমদি ১৪শুবা সীদ চেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কভিটোভাগা মায়োক্লনবগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবদি কোমনা অপনবা য়াওদনা চঙবা ঙমগনি। অদুগা করিগুম্বা কার্বরনা কভিটোভাবু মায়োক্লদুনা মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি মথংগী রাউন্দদা স্পেনগী নভারোগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়ারি।

মরিশুবা সীদ সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অঙনবদা ফংবা মেচশিং মায় পাক্লুনা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙলকপা য়ানা লৈরি। মহাক্না টাইটল রাউন্দ ফাওবা য়ৌনবা চঙলকপদা অপনবা পীরবা য়াই হায়না লৌনরিবা প্লেয়রনা নিপানশুবা সীদ মেদিসন কিজনা ওইরি।

চহী অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা গ্রান্দ স্লাম ওইখিবা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখিবী অমদি সেরেনাদগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী মফম মুনখিবী কার্বরনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ৱাই ফংলবা মতুং মথং রাউন্দদা অমেরিকাগী কোকো ভান্দেৱেঘেগা মায়োক্লগনি। অহুমশুবা রাউন্দদা কার্বরনা কভিটোভাগা অমদি মথং রাউন্দশিংদা নভারো অমদি হালেপকা মায়োক্লরবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন য়ু এসকী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী অহৌবা মেচতা অনাষ্টাসিয়া সেভাষ্টোভা নৎত্রগা য়ুলিয়া পুটিনসেভাগা মায়োক্লরবা য়ারি। অদুগা সভেটলানা কুজনেটসোভা অমদি রাদৱান্সকানা মখোয়গী অহানবা রাউন্দশিং শিংনবা অমত্তা য়াওদনা য়াম্না কোম্না চঙশিল্লবা য়ারি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদ অমদি মমাঙ চহীগী রন্নর-অপ মুগুরুজানা দারিয়া গভরিলোভা নৎত্রগা হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জেলেনা জাঙ্কোভিক্কা অহানবা রাউন্দদা মায়োক্লগনি। চহী অসিগী য়ু এস ওপনদা ৱিল্লিয়মদা মচিন-মনাওবু মায়থীবা পীরমখিবা প্লিস্কোভানা টুর্ণামেন্ট অসিদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈনরি।




# ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা রিওগী ক্বালিফাইয়িংদা পীখিবা পার্ফোমেন্স চিংননিংঙাই ওই : আই এ এ এফ








বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ২৫ :
রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী এথলেটশিংনা রিওগী ক্বালিফাই ওইনবা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু চিংননিঙাই ওই হায়না ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) গী ষ্টেটিষ্টিসিয়ন্স রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেন্দরেসন (আইএএএফ) গী লৈবাক খুদিংমক্কী নেসনেল রেকোর্দশিংগী কো-এদিটর ওইরিবা অমদি এথলেটিক্সকী ষ্টেটিষ্টিসিয়নগী হেদসু ওইরিবা হেনরিখ হুবেশিংগী মতুং ইন্না রিওগী ক্বালিফাই ওইনবা পীখিবা চিংননিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স অদুগী ইন্দিয়ন লিষ্টতা য়াওরিবা এথলেটশিংদি ট্রিপল জম্পর রেঞ্জিৎ মহেশ্বরি, লোং জম্পর অঙ্কিৎ শর্ম্মা, স্প্রিন্টর দুটি চান্দ অমসুং শ্রাবানি নন্দা য়াওরি। এসিয়ন এথলেটিক্স এসোসিএসন (এ এ এ) গী থৌসু পুরিবা জর্মনিগী হুবেলিংগী রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়ন এথলেটশিংদা নত্তনা অলবেনিয়া, অর্মেনিয়া, কজাখষ্টান, ক্রিগিষ্টান অমদি উজবেকিষ্টানগী এথলেটশিংসু রিওগী ক্বালিফাই ওইনবগীদমক পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু চিংননিংঙাই ওই অমদি মসিগী অকুপ্পা দেটাশিং আইএ এ এফতা পীশিনখ্রে। আই এ এ এফনা পেনেল অমা শেমদুনা মসিগী ওফিসলশিংনা শেমদোক-শাদোকপা পার্ফোমেন্স পীবা নৎত্রগা পোকপগী চহী শেমদোকনচিংবা থিংনবা য়েংশিল্লি। অসিগুম্বা অরানবা তৌবগী থৌওংবু শৌগৎপা অমদি চেন্নবা ওফিসলশিংগী মথক্তা আই এ এ এফনা মতীক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না রিপোর্ট তৌরি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী অরোইবা নুমিৎতা ট্রিপল জম্পর রেঞ্জিৎ মহেশ্বরিনা মিটর ১৭.৩০ চোংখিবা অমদি লোং জম্পর অঙ্কিৎ শর্ম্মনা মিটর ৮.১৯ চোংদুনা মমাঙগী কম্পিটিসনশিংদা মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্সকা য়াম্না খেন্নখি। রিওদা রেঞ্জিৎ মহেশ্বরিনা মিটর ১৬.১৩ অমদি অঙ্কিৎ শর্ম্মনা মিটর ৭.৬৭ চোংখিবদা শাথিনা খেন্নবা উবা ফংখিবদগী মিৎয়েং চঙনবগী মচাক ওইখি।

দুটি চান্দ অমদি শ্রাবানি অনীগী মতাংদা রিপোর্ট অদুনা হায়, মখোয়না রিওগী ক্বালিফাই ওইখিবা ইভেন্টশিং অদুগী শিজিন্নখিবা ওটোমেটিক টাইমিং অদু শোইরম্বা য়াই হায়রি। চহী অসিগী জুন থাদা অলমাটিদা পাঙথোকখিবা মিট অদুদা নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মকোক্তা লৈখিবা এথলেট অহুম্না মখোয়গী পার্ফোমেন্স অদুদগী তাথনা রিওদা ১১.৬৯ সেকেন্দদগী ১১.৭২ সেকেন্দ ফাওবা চেনখি অদুগা নুপীগী মিটর ৪x১০০ গী টিমদসু বৈজিংদা পীখিবা পার্ফোমেন্স ৪৪.০৩ সেকেন্দ অদু থা অনী লৈরগা জুলাইদা অলমাটিদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা ৪৩.৪২ সেকেন্দদা চেনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৯০ গী শরুক্তা অসিগুম্বা শেমদোক-শাদোকপগী থৌওং অসি থেংনখি অমদি মতম অদুদা মরু ওইনা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা শাশিন্নবা পার্ফোমেন্সশিংদা এথলেটশিংবু ক্বালিফাই ওইহনখিবা অদু আই এ এ এফতা খঙহনখিবদগী মরী লৈনবা ফেদরেসনশিংদা ৱার্নিং পীদুনা অরানবা তৌবগী থৌওং চথবা অদু লেপহনখি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মালেমগী লৈরিবা ফেদরেসন খরনা অরানবা থৌওং শিজিন্নবা অসি অমুক হৌরক্লে হায়না রিপোর্ট অদুনা উৎলি।

# ইন্দিয়ানা বংলাদেশকী মখুৎতা ৪-৫ দা মায়থীহৌরে



ধাকা, সেপ্টেম্বর ২৫: পার্টিসান ক্রাউদকী মমাঙদা য়ুম্বুগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা বংলাদেশকী মখুৎতা ৪-৫ দা থাংজ নুমিৎতা মফম অসিদা শান্নখিবা অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকিদা মায়থীহৌদুনা নিংবা কায়না কেম্পেন হৌখ্রে।

য়ুম্বুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা ইন্দিয়ানা থিংননবগীদমক দিফেন্সতা হেন্না শান্নরকখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট অহুম চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু গোলকিপর পঙ্কজ কুমার রাজকনা নিংথিনা সেভ তৌখিদুনা বংলাদেশনা মাঙজিল থানা চৎলমগদবদগী থিংখি।

য়ুম্বুনা মখা তানা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা অশ্রাফুল ইস্লামনা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। বংলাদেশনা গোল চনখিবদগী তপথদ্রবা ইন্দিয়ানা মায়োক্লখিবা সাইদতা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা শান্নরকখি। গেম অদু ইন্দিয়ানা কন্ট্রোল তৌনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা ইন্দিয়ানা পেনালটি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি। পেনালটি কোর্নর অদু ধার্মিন্দরনা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। মিনিট মঙাগী মতুংদা ইন্দিয়ানা মশক থোক্লা বংলাদেশকী সাইদতা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা ইবুংঙো সিংহ কোঞ্জেংবমনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

বংলাদেশনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা অমুকসু হন্না পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা অশ্রাফুল ইস্লামনা গোল ওন্থোকখিদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি। অনীশুবা হাফতা বংলাদেশনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদা অশ্রাফুল ইস্লামনা গোল চনশিনখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি। ইন্দিয়ানা মায়োক্লখিবা সাইদতা তৌখিবা ফজরবা এটেক অমদা হার্দিক সিংহনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা গোল অমা অমদি দিলপ্রীট সিংহনা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

য়ুম্বু বংলাদেশকী ফাজলা হোসেন রব্বিনা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। বংলাদেশনা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা অশ্রাফুল ইস্লামনা মেচকী মিনিট ৬২ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা গোল ওন্থোকখিদুনা মায় পাকখি।

গেম লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী কোচ বি জে কারিয়াপ্পানা হায়খি, মেচ অসিদা অশোয়বশিং ঐখোয়না খঙজিল্লে অমদি মথংগী মেচতা ওমানগা শান্নগদৌরিবা অসিদা হেন্না ফবা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়খি।

# অজয় সিংহনা বি এফ আইগী প্রসিদেন্ট ওইরে



মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৫: চহী ৪ চুপ্না ইন্দিয়ন বোক্সিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিবতা লৈতাদনা লৈরমখিবা অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ( বি এফ আই) গী প্রসিদেন্টগী মীখলদা ব্যুজিনেসমেন অজয় সিংহবু খনখিবদগী লোইশিনখ্রে।

স্পাইসজেট এয়রলাইন্সকী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা অজয় সিংহনা মীখল অদুদা মহাক্কী রাইভেল রোহিৎ জেইন (দেল্লি) দগী ভোট মশিং হেন্না ফংদুনা মায় পাকখি। মহাক্না অপুনবা ভোট মশিং ৪৯ ফংখি অদুগা মহাক্কী রাইভেল রোহিৎনা ১৫ খক্তমক ফংখি।

মীখল অদু ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) অমদি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মোনিটর তৌখি। আইবাগী মীহুৎ ওইনা ওসিনিয়া জোনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ইদগর টান্নর অমদি মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী দিরেক্টর সুশমিটা জয়োটসিনা ওবর্জাবর ওইনা শরুক য়াখি।